www.sanaleibak.in

ꯁꯅꯥꯂꯩꯕꯥꯛ
SANALEIBAK
PROGRESSIVE JOURNALISM
# সনালৈবাক




Volume No: 50 Issue: 122 | IMPHAL, WEDNESDAY, APRIL 08, 2026 | মালিয়াফম পালচা কুমশীং ৩৪২৪ | য়ুমশকৈশা, শজিবুগী ২১নি পানবা | RNI Regd. No. 31350/77 | PAGE : 10 | Price: ₹ 5.50

# বোমগী এটেক্তা পিক্লিবা মচিন-মনাও লৈখিদ্রে, মীয়ামগী ইহৌদা এস এফনা কাপথোরকপদা ৩ শিরে, ২৬ শোক্লে, কার্ফিয়ু থমখ্রে, নুমিৎ হুন্নি ইন্টর্নেট থিংজিনখ্রে








ইম্ফাল, এপ্রিল ০৭ (এস এন এস)ঃ

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মোইরাং পুলিস ষ্টেসনন কোনবা ত্রোংলাউবী অৱাং লৈকাইদা কুকিশিংনা বোম কাপশিল্লকপদা চহী ৫ খক্তা ঙাইরীবা ওইনাম তোমথিন অমসুং থা ৫ খক্তা ঙাইরিবী মহাক্কী মচননুপী ওইনাম য়াইসনা লৈখিদ্রে, মমা শোক্লে।

থৌদোক অদুদা পেন্নদ্রবা মীয়ামনা হৌরক্তুনা মোইরাং পুলিস ষ্টেসনদা থোমজিল্লবা মতুং ত্রোংলাউবী মনিং চীংদা লৈবা গেলমোন অমসুং ওক্লোংবুং খুনৌদা হাংবা সেন্ত্রেল ফোর্সকী কেম্প তন্না থোমজিল্লুবদা মফম অদুদা লৈবা সি আর পি এফনা নোংমৈ কাপথোরকপদগী মীওই ৩ লৈখিদ্রে, ২৬ শোক্লে। থৌদোকশিং অসিগী মখা তারকপা ওইনা মণিপুর লৈঙাক্লা দিষ্ট্রিক্ট ৫দা কার্ফ্যু লাকথোকখিবগা লোয়ননা নুমিৎ ৩নিগী মোবাইল ইন্টর্নেট থিংজিনখ্রে।

ঙসি অহিং নোংয়াই মতুং চাওরাক্লা পুং ১.০৫ রোম চৎপা অদুৱাইদা মোইরাং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা ত্রোংলাওবী অৱাং লৈকাইদা কুকি খুৎলায় পায়বনি চিংনবশিংনা বোম কাপশিন্দুনা লান্দারকপদা তুমদুনা লৈবা পিক্লিবা অঙাং অনী লৈখিদবগা লোয়ননা মমা শোকপদগী লায়কন্নরি। বোম পোকখায়বগী থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা অঙাং অনী অদুদি ওইনাম তোমথিন (৫) অমসুং মচননুপী ওইনাম য়াইসনা (থা ৫) কৌই। থৌদোক অদুদা শোক্তুনা রাজ মেদিসিটিদা লায়কন্নরিবী মমা অদুগী মমিংনা ওইনাম ওংবী বিনিতা (৩৫) মপুরোইবা ওইনাম মঙাল কৌই। থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা অঙাং অনী অদুগী থৱাই য়াওদ্রবা হকচাং রিমসকী মীরেলশঙদা থমখ্রে হায়রি।

বোম অদু য়ুম অসিগী অৱাং থংবা থোঙনাওদা পাল্লগা থোঙনাও অদু ফক্কাইরগা থোঙনাওগা তাইননা তুন্নিবা মমা অমদি মচাশিং অদুদা লাইবক থিবা থৌদোক অদু থোকখিবনি। বোম পোকখায়খিবগী মচেৎ কয়াসু ইমুং অদুগী ফক্লাংদা পানবগী মমি তাবা উখি। হায়রিবা য়ুম অসি য়ুমদোংপোক ওইনা লৈবনি। ওইনাম মঙাল সিফাই ওইদুনা অমদি মহাক্কী লোয়নবী ওইনাম ওংবী বিনিতানা নর্স ওইদুনা গুৱাহাটিদা লৈবনি। হন্দক্তা ইকুই কুইদ্রিঙৈগী মমাংদা য়ুমদা ছুটি থোক্লক্তুনা মচানুপী য়াইসনাগী মথং থাদা চাকউম্বা শেম শারিবনি হায়রি।

অমরোমদা, ঙসি বোম কাপশিন্দুনা লান্দারকপদগী অঙাং অনী লৈখিদবা য়ুম অদুদগী মাং ওইনা মিটর ১০০ খক্তমক কাখৎলগা লৈকায় অদুগী খ্বাইদগী মতাই থংনা লৈবা অমুজাও কৌবা মীওই অমগী য়ুমদগী শুপ্নগী মিটর ৭০ মুক লাপ্না আর পি জি অমা ৱেয়র অমসুং বেটরি পাল্লগা ইম্প্রোভাইজ ওইনা শেল্লগা থল্লম্বা মীয়াম্না থেংনখি। তুংদা অয়ুক পুং ১১.৩০ রোম চৎপা অদুৱাইদা মণিপুর পুলিসকী বোম এক্সপার্ট টিম লাক্তুনা বোম অদু লৌখৎলবা মতুং অশোই অঙাম য়াওদন পোকখায়হনখ্রে।

বোম কাপশিন্দুনা অঙাং অনী হাৎলম্বা থৌওংবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা ত্রোংলাউবী মীয়াম্না থোক্লক্তুনা অয়ুক অঙনবদগী হৌরগা টিদ্দিম লম্বী থিংজিন্দুনা খোঙজং চংশিনখি। খোঙজং অদুদা চুরাচান্দপুর তন্না পোৎ-চৈ পুরকপনি হায়বা টাটা গাড়ি ৪ রোম খোঙজংলোইশিংনা মৈ থাখি। তুংদা মোইরাং পুলিসকী গেটতা অমুক থোমজিন্দুনা মথৌ মশক খঙদবা মীয়ামগী পুন্সি কনবা ঙমদবা ...মখা লমায় ৭তা...

## তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্ট মঙাদা কার্ফিয়ু লাউথোকখ্রে, ইন্টর্নেটসু থিংজিনখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৭ (এস এন এস)ঃ

ঙসি ত্রোংলাউবীদা থোকখিবা ইরাংগা মরী লৈননা তম্পাক্কী মফম কয়াদা মীওই কয়া লম্বীদা থোক্লরক্তুনা ইরাং থোকখিবদগী মণিপুরগী তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্ট মঙাদা কার্ফিয়ু লাউথোকখ্রে।

ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, বিষ্ণুপুর, থৌবাল অমসুং ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী ...মখা লমায় ৭তা...

## ৱাখলগী চিঙ্গাক

থাবু থাজনরদি তুমিন্না লৈনরসু ৱাখল তান্নে, থাবু থাজনদ্রদি ৱাহে খুদিংমক লান্না লৌনৈ

## পেন্দবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৭ (এস এন এস)ঃ

ত্রোংলাউবি অৱাং লৈকায় মনিংদা লৈবা ওইনাম বিনিতাগী য়ুমদা বোম কাপশিল্লকতুনা পিক্লিবা মচিন মনাউ অনি শিখিবা থৌদোক্কি মতাংদা মায়কৈ কয়াদগী পেন্দবা, নুংঙাইতবা অমদি অশাউবা কয়া ফোঙদোক্লরকখ্রে।

...মখা লমায় ৭তা...

## লোইরেদনা




## হেক্তা হায়জিনবা

### লাইখ্রপোৎনি

লাইখ্রপোৎনি লৈবাকপুবা<br>
লাইখ্রপোৎনি লৈঙাকপা<br>
অঙাং মচাফাও হাৎলবা<br>
হেক্ত হায়রগা লোইরে<br>
পাঙদবগী থৌওংনি<br>
ফাদুনা চৈরাক পীগনি<br>
শাউদুনা হৌরকপা মীয়াম<br>
পেন্দদুনা লাওরকপা খোল্লাও<br>
নোংমৈনা দোং দোং লোইরে<br>
ইন্টর্নেট থিংজিল্লগা লোইরে<br>
মিটিং পাঙথোক্লগা লোইরে<br>
খন্নরে হায়রগা লোইরে<br>
ইংথখিবা ঙাইরগা লোইরে<br>
কাউখিবা ঙাইরগা লোইরে<br>
মথং অমুক হাৎলগা<br>
হেক্তা হায়রগা লোইরে<br>
পাঙদবগী থৌওংনি<br>
ফাদুনা চৈরাক পীনি<br>
লাইখ্রপোৎনি লৈবাকপুবা<br>
লাইখ্রপোৎনি লৈঙাকপা

## এন আই এদা কেস শীন্নরগনি, এক্স গ্রেসিয়া পীরগনি: সি এম হিংনা নৎত্রগা শিনা ফানবা চোপ্পর শীজিন্নদুনা ওপরেসন চথহনখ্রে: গোবিন্দাস

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৭ (এস এন এস)ঃ

ত্রোংলাওবীদা বোম এটেক চথুরকখিবগী থৌদোক নেসনেল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি (এন আই এ) দা শীন্ননবা ৱারেপ লৌরে। লাইবক থিবা থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা অপিকপা অঙাং অনীগী এক্স গ্রেসিয়া পীরগনি হায়না চীফ মিনিষ্টর য়ুন্নাম খেমচান্দনা ফোঙদোকখ্রে।

বাবুপারাদা লৈবা সি এম বঙ্গালোদা ঙসি পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা চীফ মিনিষ্টর খেমচান্দনা হায়, ত্রোংলাওবীদা থোকখিবা লাইবক থিবা থৌদোক অমদা অপিকপা অঙাং অনীগী থৱায় মাঙহনখিবগী থৌদোক থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইতবা পোকই। কেস অসি এন আই এদা শীন্ননবা ষ্টেট অসিগী হোম মিনিষ্টর য়াওনা এম এল এশিংগা পুন্না খন্নদুনা ৱারেপ লৌরে। হৌজিকমক্কী ওইনদি থৌদোক অসি করম্বা মীওইশিংনা নৎত্রগা করম্বা ওর্গনাইজেসননা থোকহনবনো হায়বদু চপ চানা খঙবা লৈত্রি। অদুবু অসিগুম্বা তমথিরবা থৌওং অসি মণিপুরদা ইং তপ্পা হঞ্জিল্লকপা পামদবা মীওইশিংনা থোকহনবা ওইগনি হায়না লৌই। ঙসিমক থৌওং অদু চথবদা চেন্নরিবা মীওইশিং ফাদুনা এক্সন লৌখৎনবা সেন্ত্রেল সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগী মকোক থোংবশিং য়াওনা সেক্যুরিটিগী মীফম পাঙথোকখ্রে। ষ্টেট পুলিস, অসাম রাইফল অমদি সি আর পি এফকী কম্বাইন্দ সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা হেলিকোপ্টর ফাওবা শীজিন্নদুনা তমথিরবা থৌওং অদু চথবদা ...মখা লমায় ৭তা...



## ওল পোলিটিকেল পার্টি মীফম ফমখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৭ (এস এন এস)ঃ

ত্রোংলাউবীদা ঙসি থোকখিবা থৌদোক্কী মতাংদা মণিপুর লৈঙাক্কী চীফ মিনিষ্টর য়ুন্নাম খেমচান্দনা চেয়র লৌরগা ওল পোলিটিকেল পার্টি মীফম পাঙথোকখ্রে।

সি এম সেক্রেটরিয়েটতা ঙসি ফমখিবা মীফম অদুদা মণিপুরদা লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টিশিং মিং ওইনা পাল্লবদা বি জে পি, আই এন সি, এম পি পি, এন পি এফ, আর টি আই (অথৱালে), সি পি আই, এন পি পি (তেরা লাই)নচিংবা পার্টি কয়াগী লচিংবশিংনা শরুক য়াখি। মীফম অদুদা ...মখা লমায় ৭তা...

## ষ্টেট লৈঙাক্কী চপ চাবা ফিরেপ অথুবদা লাউথোক্কদবনি: কোকোমি

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৭ (এস এন এস)ঃ

টেরোরিজমগী থৌওং চথুবশিংগী মথক্তা মিলিটরি ক্রেকদাউন তৌগদবনি। ষ্টেট লৈঙাক্কী চপ চাবা ফিরেপ অমা অথুবদা লাউথোক্কদবনি হায়না কোওর্দিনেটিং কম্মিটি ওন মণিপুর ইন্টিগ্রিটি (কোকোমি)না অকনবা ৱাফম থল্লক্লি।

লম্ফেলদা লৈবা কম্মিটি অসিগী ওফিসতা ঙসি পাউমীশিংগা উন্নবদা কোকোমিগী কনভেনর ৱাই কে থিরেননা হায়, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ত্রোংলাওবী অৱাং লৈকাইদা বোম কাপশিল্লক্তুনা অপিকপা অঙাং অনীগী থৱায় মাঙহনখিবা অসিমক টেরোরিষ্টকী থৌওংনি হায়না লৌই। খূৎলায় পায়বা টেরোরিষ্টশিংনা মনিং মখা তন্না মীচম মীয়ামগী মথক্তা লান্দাদুনা তমথিরবা থৌওং কয়া চথুরল্লবা ফাওবা সেন্টর অমদি ষ্টেট লৈঙাক্লা তুমিন্না লৈশিনবা অসি কন্দম তৌই। টেরোরিজমগী থৌওং চথুদুনা অপিকপা অঙাং অনীগী থৱায় মাঙহনখিবগী থৌদোক অকনবা মওংদা য়ানিংদে। মসিদা নত্তনা খোয়শাওনরবা মীয়াম্না পেন্দবা ফোঙদোক্তুনা হৌরকখিবা ইহৌদা সি আর পি ...মখা লমায় ৭তা...

## লো এন্দ ওর্দর ঙাকপা ঙমদবা লৈঙাক অমা লৈবগা পাঞ্জক ওইরে: ইবোবী




ইম্ফাল, এপ্রিল ০৭ (এস এন এস)ঃ

প্রসিদেন্ট রুল (পি আর) লৈত্রিঙৈ মমাংদা লৈরম্বা বি জে পি লৈঙাক অদুগা পি আর মতুংদা লাকপা বি জে পি লৈঙাক অসিগা অহোংবা অমত্তা লৈতে, চপ মান্নে। লো এন্দ ওর্দর কন্ত্রোল তৌবা ঙমহৌদবনা ঙসিগী ফিভম অসি য়ৌরকখিবনি, লো এন্দ ওর্দর ঙাকপা ঙমদ্রি হায়না ...মখা লমায় ৭তা...

## 'কুকি মিলিটেন্টশিং মরিন তেংদ্রিবা ফাওবা তংদু লৈতাহনবা ওইথোক্লোই'

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৭ (এস এন এস)ঃ

লৈঙাক্লা পিছ প্রোসেস পায়খৎলিবা তরাম্না ওকই, অদুমকপু ৱারি শান্নগদৌরিবা কুকি মিলিটেন্টশিংনা ৱাখল তাদ্রবদি ষণদা গীতা থীবা ওইনা থোক্কনি। মরম অসিনা কুকি মিলিটেন্টশিংগী মরিল তেংদ্রিবা মখে মণিপুরদা তংদু লৈতাবা হঞ্জিল্লক্লবা ৱারি শাবা ওইথোক্লোই হায়না ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু)গী প্রসিদেন্ট ব্রুস পেবমনা ফোঙদোরক্লি।

ঙসি ত্রোংলাওবীদা থোকখিবা থৌদোক্কা মরী লৈননা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা মহাক্লা মখা তানা হায়, ঙরাং অহিং পুং ১ হেল্লকপা মতমদা কুকি খুৎলায় পায়বশিংনা বোম কাপথরক্তুনা পীক্লিবা অঙাং অনী লৈখিদ্রে লোয়ননা অপোকপী মমানা লায়কন্নরগা লৈরি। মসিগী মখা তারকপদা লমদম অদোমগী মীয়াম্না মফম অদুদা লৈরিবা সি আর পি এফশিংনা কুকি টেরোরিষ্টশিংগী মথক্তা করিগুম্বা মখল অমত্তগী অথিংবা পীখিদে হায়বগী ৱাহৌদা পেন দবদগী মীয়াম্না ...মখা লমায় ৭তা...

## হন্দক য়াদে হায়বা খঙহনহৌদ্রবদি মণিপুর কনবা ৱারগনি : মহেশ্বর




ইম্ফাল, এপ্রিল ০৭ (এস এন এস)ঃ

মমাগী তম্পাক্তা নুংঙাইনা তুমজরিবা পিক্লিবা অঙাং অনী কুকিশিংনা বোম কাপশিন্দুনা হাৎখিবা থৌদোক মমাংদা এক্সন লৌখৎহৌদবননি। হন্দক্কী মতাং অসিদসু য়াদে হায়বা খঙহনহৌদ্রবদি মণিপুর কনবা ৱাগনি হায়না রিপাব্লিকান পার্টি ওফ ইন্দয়া (আর পি আই) অথৱালেগী নেসনেল সেক্রেটরি ...মখা লমায় ৭তা...

## এস দি পি ও অনন্দ হাৎপদা চেন্নবা ফারে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৭ (এস এন এস)ঃ

হৌখিবা চহী ২০২৩ গী মে ৩ দগী থোকখিবা অকনবা ইরাংগী মনুংচন্না মোরেগী ইষ্টর্ন সাইন স্কুল প্লেগ্রাউন্দদা স্নাইপর নোংমৈ শীজিন্নদুনা এস দি পি ও চিংথাম অনন্দকুমার হাৎপদা চাউনা চেন্নবা কামগিনথাং গাংতে নেসনল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি (এন আই এ) না ফাবা ঙমখ্রে।

এন আই এগী টিম অমনা কামগিনথাং গাংতেবু গুৱাহাটিগী এন আই এ স্পেসিএল কোর্ট কম্পলেক্সতগী চাউরাক্লা নুমিদাংৱাইরম পুং ৪.৩০ ...মখা লমায় ৭তা...

## উখ্রুলগী লৈঙাংচীংদা আর এ এফ পার্সোনেলশিংগা মুক্নবদা নুপী ৫ শোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৭ (এস এন এস)ঃ

উখ্রুলগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা কুকিনা লান্দারকখিবগী থৌওংবু পেন্দবা ফোঙদোক্লিবা নুপীশিংগী মথক্তা রেপিদ এক্সন ফোর্স (আর এ এফ) পার্সোনেলশিংনা লাথি চার্জ তৌবদগী য়ামদ্রবদা নুপী ৫ শোকখ্রে।

থাজবা য়াবা মফমদগী ফংবা পাউগী মতুং ইন্না উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টগী লৈঙাংচীংদা চৌরাক্লা অয়ুক পুং ৯.৩০ রোম তাবা অদুৱাইদা আর এ এফ অমদি ইহৌ হৌরিবা নুপীশিং অদুগী মথক্তা চাওনা মুক্নরকখিবনি। মুক্নরকপা অদুদা অশোকপা নংলবা নুপীশিং অদু উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখি।

নুপীশিং অদুনা তোঙান-তোঙানবা সিক্যুরিটি ফোর্স মরিশুবা মহারিজিমেন্ট, বিহার রেজিমেন্ট, গুরখা রেজিমেন্টনচিংবা লাকখিবা অদুবু চংবা য়ারোই হায়না থিংবদগী নাকল অনীগী মরক্তা চাওনা মুক্নরক্তুনা থোকহন্নিংদবা থৌদোক অদু থোকখিবনি। হৌজিকসু উখ্রুলগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা কুকি লালহৌবনি চীংনবা মীওইশিংনা লানদাবগী থবক অদুমক চথদুনা লৈরি। অসিগুম্লবা তমথিরবা থৌদোক অসিগী মতাংদা নাগাগী তোঙান-তোঙানবা লুপ কয়ানা পেন্দবা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা ষ্টেট গভর্ণমেন্টদা এক্সন লৌখৎনবা তকশিল্লকখ্রে। হৌজিকসু ইরাং লাকশিনবা ঙমদ্রি হায়রি।



## ত্রোংলাউবীগী থৌদোক ষ্টেট অমদি সেন্ত্রেল লৈঙাক্লা তেকচাক পুগদবনি: সনায়াইমা

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৭ (এস এন এস)ঃ

ত্রোংলাউবী অৱাং লৈকাইদা কুকি মিলিটেন্টশিংনা বোম কাপশিন্দুনা অঙাং অনী হাৎখিবা অদু ষ্টেট অমদি সেন্ত্রেল লৈঙাক্লা তেকচাক পুগদবনি হায়না হান্নগী য়ু এন এল এফকী চেয়রমেন আর কে সনায়াইমা (মেঘেন)না ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি ইম্ফাল হোটেলদা 'অপহোল্ডিং অৱার আইদেন্টিটি সেপিং অৱার দেষ্টিনি' হায়বা থিমদা থাদৌ কাঙলুপকী অচৌবা ফেষ্টিভেল অমা ওইরিবা হুন থাদৌ কলচরেল ফেষ্টিভেল ২০২৬কী থৌরমদা শরুক য়ারদুনা ৱাফম অসি আর কে সনায়াইমা (মেঘেন)না ফোঙদোকখিবনি।

থৌরম অদুদা হিল এরিয়াজ কম্মিটিগী চেয়রমেন দিঙলুং গাংমৈনা অথোইবা মীথুংলেন অমদি হুন কলচরেল ফেষ্টিবেল ২০২৬কী চেয়রমেন নেখোলাল থাদৌনা থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগী অখন্নবা মীথুংলেন ওইনা ৱারোল পীরদুনা আর কে সনায়াইমনা মখা তানা হায়, ত্রোংলাউবীগী লাইবক থিবা থৌদোক অদু কুকি খূৎলায় পায়বশিংনা হুন কলচরেল ফেষ্টিভেল পাঙথোকপা য়াদে হায়না থুগায়নবা হোৎনরকপা নৎত্রগা হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসি লোইশিন্নবগীদমক চথরিবা পিছ প্রোসেস অসি থুগায়নবা হোৎনরকপা অমদি সি এমগী জিরিবাম খোঙচৎ য়ানিংদে হায়বা উৎনবা চথরকপা থৌওং ওইরম্বা য়াই। থৌওং অসি সেন্ত্রেল অমদি ষ্টেট লৈঙাক্লা অহেনবা মীৎয়েং থমগদবনি। তেকচাক খুদিংমক লৈঙাক্লা পুগদবনি হায়খি। থাদৌ ফুরুপনা ...মখা লমায় ৭তা...

অদোমগী পাউতাক অমনা মণিপুরদা অওনবা অমা পুরকপা য়াই

## সনালৈবাক পব্লিক ওপিনিয়ন

চহী লিশিং অহুম হেল্লবা পুৱারি লৈজরক্লবা মণিপুরগী অপুনবগী শক্তম ঙসিদি কায়বা য়াবগী অকিবা লাক্লে। চহী তরেৎ খুন্তাকপদা থোকখিবা থৌদোক্তগী হেন্না শাথিবা মণিপুরগী শক্তম থুগায়নবা মায়কৈ কয়াদগী লান্দারকপা লেপত্রি। ইপা-ইপুশিংনা থৱায়না পোন্থা পিদুনা ঙাকপিরমখিবা ইরমদম ঙসিগী মীরোল ঐখোয়না কদাই ফাওবা কনবা ঙমগদৌরিবনো হায়বগী ৱাহং লাক্লে। অসিগুম্বা ফীভম অসিদা মণিপুরগী অপুনবগী শক্তম কলহৌনবগীদমক অদোমগী পাউতাক লৈবাক শিনবা থুংনা খঙহনবা মথৌ তারে। অদোমগী পাউতাকনা লমজিং মৈরা ওইদুনা মণিপুরগী অপুনবগী শক্তম কন্নবা হোৎনমিন্নসি।

মণিপুরদা হৌজিক মায়োক্নরিবা মখল কয়াগী ইস্যুশিং করি তৌরগদি কোকপা ঙমগনি। লৈঙাক্তুনা করি তৌহন্নিংই অমদি মীচম মীয়াম্না করি তৌবা মথৌ তারি হায়বগী অদোমগী ফজরবা পাউতাক সনালৈবাক পাউচেদা পীবিরকউ। মমল য়াল্লবা পাউতাকশিং পিবিরকপা মতমদা শুপ্নগী ৱাহে ১০০ রোমতমক মখাদা পীজরিবা হ্বাটসএপ নম্বর অমদি ই-মেল আইদি অসিদা থাবিরকউ। থাবিরকপা মতমদা অদোমগী কলর ফোটো, মীং, লৈফম, মোবাইল নম্বর শোয়দনা হাপ্পিরকউ। অদোমগী মমল য়াল্লবা পাউতাকশিং খনগৎচরগা সনালৈবাক পাউচেদা নুমীৎ খুদিংগী ফোঙজগনি। অদোমগী মমল য়াল্লবা পাউতাক খৌরাংনা ঙাইজরি।

E-mail id : sanaleibakdaily2008@gmail.com
Whatsapp No. : 9366310922